## সব-ইন্সপেক্টর সুইসাইদ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): বিহারগী দরভঙ্গা দিষ্ট্রিক্টকী ট্রেনি সব-ইন্সপেক্টর অমা ইরাই নুমিৎতা সুইসাইদ তৌখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ক্বার্টরসতা লৈবা লক্ষমি কুমারি নোংয়াই মতুং পুং ২ তাবদা মশাগী সর্ভিস পিষ্টলনা মকোক্তা কাপশিঞ্জদুনা শিজখি। মহাক ফমুংদা তারম্বা থেংনখি। খূৎলায় অদু য়েৎথংবা খূৎতা লৈরমখি। ট্রেনি সব-ইন্সপেক্টর নুপী অসি ললিত নরায়ন মিথীলা য়ুনিভর্সিটি পুলিস ষ্টেসনদা দিপ্লোই তৌবনি। দরভঙ্গীগী এস পি অশোক কুমার অমসুং এস দি ও সদর কৃষ্ণ নন্দন কুমার মফম অদুদা চঙশিনখি।

প্রসাদনা ফোঙদোরকপদা, প্রাইমা ফেসি অদু সুইসাইদকী কেস অমা মাল্লি। ভিক্টিম অদুনা নোংমৈদু য়েৎ থংবা খূৎতা পায়রমখি। ঐখোয়না ফোটো কয়া কাপ্লে। এফ এস এল টিমনসু মফম অদুদগী সেম্পলশিং লৌরে। সুইসাইদকী ৱাফমদা নত্তনা ঐখোয়না অতৈ এঙ্গলশিংসু য়েংশিল্লি। পোষ্ট-মোর্টেম অমসুং ফোরেন্সিক রিপোর্ট লাক্লবা মতুংদা মহাক্না শিখিবগী চপ চাবা মরম লেপকনি।

## য়ু এসনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং ইন্দিয়াগী চাবাহার পোর্ট প্রোজেক্টকা মরী লৈনদে: জয়শঙ্কর

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): য়ু এসনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিংনা ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা চাবাহার পোর্ট প্রোজেক্টতা শোকহনবা লৈতেহায়না ইরাই নুমিৎতা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।





বি এস পিগী মেম্বর রিতেশ পান্দেনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা য়ু এসকী অথিংবশিং অদু ইরানদা ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা চাবাহার প্রোজেক্টকা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না শেংদোকখি।

ক্বেসন অৱর মনুংদা পান্দেনা গভর্ণমেন্টতা য়ু এসনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং অদুনা চাবাহার পোর্টতা পায়খৎলিবা ইন্দিয়াগী প্রোজেক্টতা শোকহনগদ্রা হায়না হংখি অমসুং য়ু এসনা অথিংবা কয়া থম্বদগী চাবাহার প্রোজেক্ট থিন্থরে হায়বসি ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফোঙনা লাউথোকখ্রবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

রেল লিঙ্ককী মতাংদা তৌখিবগুম্না ইরানদা য়ু এসনা অথিংবশিং থল্লিবদুগী খুদোংচাবা লৌরগা চাইনানা প্রোজেক্ট অদুগী থবক পায়নবা হোৎনরি হায়বসি মিনিষ্টরসু খঙই হায়নসু বি এস পি মেম্বর অসিনা হাউসতা ক্লেম তৌখি অমসুং গভর্ণমেন্টতা মসিগী সোল্যুসন পুথোক্লবা হোৎনবা লৈবরা হায়না হংখি।

মহাক্কী ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা মিনিষ্টর জয়শঙ্করনা হায়খি, ৱাফম অসি পূল্লান লাল্লি হায়বসি ঐহাক্না মেম্বর মশাদা অমদি হাউসতা থল্লি। প্রোজেক্ট অদুগী এগ্রীমেন্ট কুমজা ২০১৬ খূৎয়েক পীখি অমসুং ঐখোয়না টর্মিনেল অদু কুমজা ২০১৮ দা পায়খি। ঐখোয়না হৌজিক ফাওবদা ক্রেন তরুক সপ্লায় তৌখ্রে। টর্মিনেল অদু হৌজিক মপূং ফানা মথৌ তৌরে। য়ু এসকী অথিংবশিং অদু প্রোজেক্ট অসিগা মরী অমত্তা লৈনদে।

টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী লৈঙাক পায়শিনখিবা মতুংদা সেন্ট্রল এসিয়াগী লৈবাকশিং অমসুং অফঘানিষ্টানবু চাবাহার পোর্ট শীজিন্নরগা মখা তানা মতেং পাংবা য়ানবা ইন্দিয়ানা বেকদোর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা লৈরে হায়নসু বি এস পি মেম্বর অসিনা সপ্লিমেন্টরি ক্বেসন ওইনা গভর্ণমেন্টতা হংখি।

ৱাহং অসিগী পাউখুম ওইনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টরনা হায়খি, চাবাহার পোর্ট ওপরেসনগা মরী লৈনবা ঐখোয়গী এগ্রীমেন্ট পূম্নমক ইরানগা খূৎয়েক পীনৈ। অহানবদা ত্রাইলেটরেল এগ্রীমেন্ট লৈখি। প্রোজেক্ট অদু ত্রাইলেটরেল এগ্রীমেন্টতা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং পোর্ট ওপরেসনগী মতাংদা ঐখোয়না অফঘানিষ্টান গভর্ণমেন্টকা খূৎয়েক পীনবা মথৌ তাদে। মেম্বরশিং ঐহাক্না থাজবা পীরি মদুদি পোর্ট অদু নীংথিনা মথৌ তৌরি।

## কোর্ট সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা এক্সপর্ট কম্মিটি শেম্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): হায় কোর্টকমপ্লেক্স অমসুং নেসনল কেপিটেলদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স পূম্নমক্কী সিক্যুরিটি ওদিট এক্সরসাইজ পাঙথোক্লবা এক্সপর্ট টিম অমা শেম্নবা দেল্লী হায় কোর্টনা দেল্লী পুলিসকী কম্মিস্নরদা দিরেক্সন পীখ্রে।

রোহিনি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্কা মরী লৈননা রেজিষ্টর তৌখিবা সু মোতু কেস অমগী ওর্দরদা চীফ জষ্টিস দি এন পাটেল অমসুং জষ্টিস জয়োতি সিংহগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হায়খি, লোকেসন, একজিট অমসুং এন্ত্রি পোইন্ট মশিং, কোর্টরূম মশিং য়াওনা কোর্ট কমপ্লেক্স অদুগী ফিসচরশিং খন্নরগা টিম অদুনা দিপ্লোই তৌগদবা পুলিস পর্সনেল মশিং, ইন্সটোল তৌগদবা সী সী টি ভি কেমেরা মশিংগুম্বা তোঙান তোঙানবা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা এস্পেক্টশিংগী মতাংদা ৱারেপ লৌগদবনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা তাখিবা ওর্দর অসি ইরাই নুমিৎতা রিলীজ তৌখি।

দেল্লী পুলিসকী ষ্টেটস রিপোর্টনা অনৌবা সিক্যুরিটি থৌরাং খরা লৌখৎহনবদা মতেং পাংখি। অদুম ওইনমক মতম অমগী থৌরাং নৎত্রগা এক্সরসাইজনা মপূং ফাহনবা ঙল্লোই। ওদিট অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা কম্মিস্নর ওফ পুলিসনা মতম মতমগী ওইনা সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টশিং রিভিয়ু তৌগদবনি অমসুং লৈরিবা ফিভমদুগী মখা পোন্না মথৌ তাবা সিক্যুরিটি পর্সনল মশিং দিপ্লোই তৌগদবনি অমসুং মথৌ তাবা ইলেক্ট্রোনিক গেদজেটশিং ইন্সটোল তৌগদবনি হায়না ওর্দর অদুদা পনখি।

সিক্যুরিটিগী লম্দা দেল্লী পুলিসকী মথৌ তাবা সিক্যুরিটি এক্সপর্টিজ লৈজবনা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা দিভাইসশিং কোর্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দেল্লী এন সী টিগী গভর্ণমেন্টকী ৱা তারগা মখোয়না লৈজগদবনি। মথৌ তাবা ফন্দশিং এন সী টিগী গভর্ণমেন্টনা পন্থবা তৌদনা ফংহনগদবনি।

মরী লৈনবা বার এসোসিএসনশিংনা মখোয়গী মেম্বরশিং ওইরিবা এদভোকেট পূম্নমক্তা ক্যু আর কোদশিং য়াওবা আই দি কার্দশিং নৎত্রগা স্মার্ট চিপশিং ইস্যু তৌগদবনি। বার কাওন্সিল ওফ দেল্লীদা ইনরোল তৌবা তৌইগুম্বসুং বার এসোসিএসন অমত্তদগী মেম্বর ওইদবা এদভোকেটশিংগী ওইনদি মান্নবা আই দি কার্দশিং বার কাওন্সিল ওফ দেল্লীনা ইস্যু তৌগদবনি হায়না ওর্দর অদুদা মখা তানা পনখি অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা দেল্লী পুলিসতগী সজেসন কৌখি।

মেট্রল দিটেক্সন অমসুং বেগেস স্কেন্নিংনচিংবগী মতাংদা খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্ননবা বেঞ্চ অসিনা পুলিসতা দিরেক্সন পীখি। বেগেজ অমত্তা স্কেন্নিং তৌদনা কোর্ট প্রেমিসেসতা পুশিনহল্লোইদবনি। কোর্ট বিল্ডিংশিং শীজিন্নদুনা লেপ্তুনা মোনিটর তৌগদবনি অমসুং কেমেরাশিং অদু মতম পূম্বদা মথৌ তৌবা ঙম্বগী ফিভমশিংদা থমগদবনি হায়না ওর্দর অদুনা মখা তাখি।

## আই আই টি-হায়দরবাদকী অনৌবা কোভিদ ট্রেকরনা পোষ্ট-ওমিক্রোন সিনরি প্রেদিক্সন পীরগনি

হায়দরবাদ, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, হায়দরবাদনা লোঞ্চ তৌখিবা অনৌবা কোভিদ-ট্রেকিং ৱেবসাইটতা কোভিদ পেন্দমিককী তুংদা ওইরক্কদবা ফিভম প্রেদিক্সন তৌবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী কেপেবিলিটিশিং য়াওই হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা আই আই টি-হায়দরবাদনা কোভিদ-১৯ ট্রেকর দোট ট্রেকর দোট ইন লোঞ্চ তৌখি। মসি ইন্দিয়াদা কোভিদ পেন্দমিক য়ৌরকখিবা কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তা শেমখিবা ৱেবসাইট কোভিদ-১৯ ইন্দিয়া দোট ওর্গকী মহুৎ শিনবা য়ানবা শেম্বনি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটকী মথক্তা শেম্বা ৱেবসাইট অসি কোভিদকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনগীদমক্তদি মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা ওইখি।

কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর ৩১ মতুংদা কোভিদ-১৯ ইন্দিয়া দোট ওর্গনা খ্বাইদগী নৌবা ষ্টেটিষ্টিক্স মেন্টেন তৌররোই হায়না ৱেবসাইট অসিবু শেম্লিবশিংনা হৌখিবা ওগষ্টতা লাউথোকখিবা মতুংদা আই আই টি হায়দরবাদতা অনৌবা ৱেবসাইট অসি দিভলপ তৌনবা লেপখি।

রির্ছচরশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম য়াওনা ইন্দিয়নশিংদা ইনফোর্মেসন মথৌ তাই হায়বসি খঙলদুনা আই আই টি হায়দরবাদকী দিরেক্টরনা দিভলপর টিম অমদা থবক অদু পাঙথোক্লবা ওথোরাইজ তৌখি।

আই আই টি হায়দরবাদকী শক্ল াইরবা প্রোফেসর এম ভিদ্যাসাগর এফ আর এসনা হায়খি, হৌজিক ঐখোয়না তুংদা ওইরক্কদবা পেন্দমিক অসিগী ফিভম মাঙজৌননা খঙহনবা য়াওনা ওরিজিনেল ৱেবসাইট অদুদগী হেনবা কেপেবিলিটিশিং হাপচিল্লে। প্রেদিক্সনশিং অসি আই আই টি-হায়দরবাদসু মেম্বর অমা ওইরিবা এস য়ু টি আর এ কন্সোর্টিয়মনা জেনরেট তৌই। হন্দক্তা ইনৌ নৌনা ওমিক্রোন মতুংদগী সিনরিওসু প্রোজেক্সনশিং অদুদা য়াওহনখি। মতুংদা মথৌ তারকপা মতমদা ট্রেন্দশিং হাইলাইট তৌবগা লোয়নননা এলর্ট পীনবা সার্চ ফিচর অমা হাপচিন্দুনা ৱেবসাইট অদু হেন্না ফগৎহন্নবসু থৌরাং তৌরি।

রিসোর্ছ মরাং কায়রবদি ঐখোয়না ইন্দিয়াদা নত্তনা অতৈ লৈবাকশিংগীসু মোনিটর তৌগনি। ওমিক্রোন ভেরিএন্ট ওফ কন্সর্ন থোক্লক্লিবসিনা ইন্দিয়ানা মরন্নাই ওইনা দেটা কলেক্ট তৌবা অমসুং মোনিটর তৌবা য়ারোই হায়বসি উৎলি।

## সাওথ অফ্রিকাগী কোভিদ লাইওংশিং মমাঙগী ৱেভশিংগুম্না কন্দে: রিপোর্ট

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): সাওথ অফ্রিকাদা সুপর ম্যুটেন্ট ওমিক্রোন ভেরিএন্টনা থোকহনবা কোভিদ কেসশিং হৌখিবা চয়োলদা চাদা ২৫৫ হেনগৎলকখিবা ওইরবসু ইনফেক্সনগী লাইওংশিং মমাঙগী ৱেভ অহুমদা উখিবা লাইওংশিংগুম্না কন্দে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না হায়রি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না, মালেমগী ওমিক্রোন কেস অপূম্বগী চাদা ৪৬ অফ্রিকানা রিপোর্ট তৌরি। হৌজিক ফাওবদা ভেরিএন্ট অসি লৈবাক ৬০ রোম শন্দোক্লে। দেলি মেভরিককী রিপোর্টনা হায়, ওমিক্রোন অমসুং দেল্টা ভেরিএন্টশিং য়াওনা হন্দক ইনফেক্সন হেনগৎলিবদুনা ইন্টেন্সিভ ক্যের বেদশিংদা এদমিট তৌবগী চাং য়াম্না পীক্লা হেনগৎহনখি।

সাওথ অফ্রিকাগী পাউচে অসিনা নেটক্যেরগী রিচার্দ ফ্রাইদলেন্দগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, গৌতেংগী হোস্পিটালশিংদা ঐখোয়গী পেসেন্ট কয়া উরবা মতুংদা মখোয়গী লাইওংশিং অসি অহানবগী ৱেভ অহুমদা থেংনখিবা লাইওংশিংদুগুম্না কন্দে হায়বদি মমাঙগী ৱেভশিংদা থেংনবা লাইওংশিংদুদগী শেল্লি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক ঐখোয়গী হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ প্রোসেন্টশিংগী চাদা ৯০ রোমদি ওক্সিজেন থেরাপি মথৌ তাদে। ট্রেন্দ অসি মখা তানা চত্থবা তারবদি টর্সরি ক্যের মথৌ তাবা খরখক নত্তনা মরিশুবা ৱেভ অসিদি প্রাইমারি ক্যের লেভেলদা নীংথিনা লায়েংবা য়াগনি। ফ্রাইদলেন্দগী মতুং ইন্না, পেসেন্ট পূম্নমক নাতোন ফূনবা নৎত্রগা মহি চেনবা, কোক চিকপা অমসুং খৌনাও নাবগুম্বা ফ্লুগী অশোনবা লাইওংদগী ময়ায় ওইরপ্না কনবা লাইওংশিংদমক উৎখি।

অহানবগী ৱেভ অহুম মনুংদা সাওথ অফ্রিকাদা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ২৬ ওইখি। পেন্দমিককী অহানবা ৱেভ মনুংদা নেটক্যেরনা কোভিদ পেসেন্ট ১২৬,০০০কী মনুংদা চাদা ৪৪ হোস্পিটাল এদমিসন মথৌ তাখি অমসুং চাদা ২৬না হাই ক্যের অমসুং ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিংদা লায়েংবা মথৌ তাখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্ট ৩৩৭ তমক এদমিট তৌরি। মখোয়গী মনুংদা চাদা ১০ হায়বদি পেসেন্ট ৩৩দমক ওক্সিজিনেসনগী মওং খরা মথৌ তাই। মমাঙগী ৱেভ অহুমদদি এদমিট তৌবা পেসেন্ট চাদা ১০০ ওক্সিজেন সপোর্ট মথৌ তাই।

## হিমাচল এসেমব্লিদা ভোইস ভোটনা নো কনফিদেন্স মোসন মায়থিবা পীখ্রে

ধর্মসালা, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লিগী নিংথম মীফমগী অহানবা নুমিৎ ইরাই নুমিৎতা মরু ওইবা ওপোজিসন কোংগ্রেসনা পুখৎপা নো-কনফিদেন্স মোসন ভোইস ভোটনা মায়থিবা পীখ্রে।

কোংগ্রেসকী মেম্বর ২২ অমসুং সী পি আই-এমগী অমত্তা ঙাইরবা মেম্বরনা বি জে পি গভর্ণমেন্ট হন্দক্কী মীখলদা বাইলেসক্সন্দা মান্দি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সী য়াওনা সিট মরিমক্তা মায়থিবা নংখিবদগী মখা তানা লৈঙাক্তগী মোরেল রাইট লৈত্রে হায়না মখোয়গী মোসনদা পনখি।

মোসন অদুবু পুখৎখিবা ওপোজিসন লীদর মুকেশ অগ্নিহোত্রিনা হায়খি, গভর্ণমেন্ট অসি মীয়ামগী থাজবা লৈত্রে, অদুনা রিজাইন তৌগদবনি। তৌইগুম্বসুং হাউসতা কোংগ্রেসকী মেম্বর ১৯দমক লৈ।

পুংখাই অমরোমদা লেপ্তুনা চরাংনবা লৈবদগী স্পিকর ভিপিন সিংহ পারমরনা ওপোজিসন মেম্বরশিংদা চরাংনবা থোকহন্দনবা হায়খি অমসুং লঞ্চ ব্রেককীদমক হাউস এদজোর্ন তৌখি। মতুংদা ওপোজিসনসু হাউসকী প্রোসিদিংসতা য়াওশিনখি।

অগ্নিহোত্রিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেসনা থবক ফংদবা, পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎপা অমদি ইমপ্লোয়ীশিংগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী মতাংদা দিবেট তৌনবা পাল্লবসু স্পিকরনা মখোয়দা মদুগী খুদোংচাবা পীখিদে। বাই-ইলেক্সনদা কোংগ্রেসকী খূৎতা মায়থিবা নংখ্রবা গভর্ণমেন্ট অসি মখা তানা লৈঙাক্লবগী মোরেল রাইট লৈত্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## এয়রফোর্সনা কুনুরদা প্রোব চত্থরি

চেন্নাই, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): নিলগিরি চীংগী কুনুরগা নক্লবা কটারি পার্ক এরিয়াদা থোকখিবা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক থিজিন্নবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা শেমখিবা স্পেসল টিমনা মফম অদুদা ইনভেষ্টি-গেসন মখা চত্থরি।

হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদুদা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রাৱত, মহাক্কী লোনয়বী অমসুং আর্মদ ফোর্সেসকী অতৈ পর্সনল ১১ শিখিবনি।

এয়র মার্সেল মনাবেন্দ্র সিংহনা লুচিংবা অদুনা ৱেদর কন্দিসনশিং অমদি ক্রাশ অদুগী মরম খঙদোক্লবগীদমক থৌদোক থোকফম অদুদা দ্রোনশিং দিপ্লোয় তৌরি। ফ্লাইট দেটা রেকোর্দর ফংখিবগা লোয়ননা টিম অসিনা ক্রাশ অদুগী মতাংদা মপূং ফাবা টেক্নিকেল ইভালুএসন অমা চত্থদুনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা রিপোর্ট অমা পীশিল্লগনি।

এয়র ফোর্সশিংনা হায়রি মদুদি, করিগুম্বা ফ্লাইট দেটা রেকোর্দরগী পেনড্রাইভ দিসিপর তৌবদা প্রোব্লেম লৈরবদি টিম অদুনা রসিয়ন দিফেন্স টিমগী মতেং লৌগনি। কুনুরদা কায়খিবা হেলিকোপ্টর অদু রসিয়ানা শাবনি। হেলিকোপ্টর অদু কুনুরদা লেন্দিং তৌরমদাইদা কায়খিবনি।

## সর্য়ু নহর নেসনল প্রোজেক্ট শঙ্গারগনি

লক্ষ্ণৌ, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী বালরামপুর দিষ্ট্রিক্টতা চহী ৪৩ শুরবা সর্য়ু নহর নেসনল প্রোজেক্ট থাংজ নুমিৎতা শঙ্গারগনি।

প্রোজেক্ট অসিনা লম হেক্টর লাখ ১৪ হেনবদা ঈথৈ-লৌখোংগী ঈশিং ফংহনগনি অমসুং ইষ্টর্ন য়ু পিগী খুঙ্গং ৬,২০০ দা লৈরিবা লৌমী লাখ ২৯ লোম্না প্রোজেক্ট অসিগী কান্নবা ফংগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও)না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, প্রোজেক্ট অসিগী থবক কুমজা ১৯৭৮দা হৌখি। তৌইগুম্বসুং বজেটরি সপোর্ট ৱাৎলকপা নৎত্রগা লেপখিবা, ইন্টরদিপার্টমেন্টেল কোওর্দিনেসন লৈতবা অমসুং মোনিটরিং নীংথিনা তৌদবদগী থিন্থখি অমসুং মদু চহী ৪০ রোম শুরক্লবা ফাওবা লোইশিনবা ঙমখিদে।

লৌমীশিংবু য়াইফহন্নিংবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখল্লোন অমসুং লৈবাক্কী ওইনা মরু ওইবা মতম শাংনা পল্লক্লবা প্রোজেক্টশিংদা প্রাইওরিটি মহাক্না মীৎয়েং থল্লকপদগী প্রোজেক্ট অসিদসু গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙলকখি। কুমজা ২০১৬তা প্রোজেক্ট অসি অককবা মতম অমগী মনুংদা লোইশিনবগী টার্গেটকা লোয়নননা প্রধাণ মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি য়োজনাগী মনুং চলহনখি।

থৌরাং অসিগী মখাদা অনৌবা কেনেলশিং শেমগৎ-শাগৎনবা অনৌবা লমশিং লৌশিনবগী থৌরাং কয়া পুথোক্লুনা প্রোজেক্ট অদুদা লৈরম্বা মরু ওইবা গেপ কয়া মেনশিনবা ঙমখিবনি।

মসিদা নত্তনা মমাঙগী লেন্দ এক্বিজিসনগা মরী লৈনবা পন্দুনা লৈরম্বা লোগী ওইবা খুরৌ কয়াসু লৈখায় তাবা ঙমখি। নৌনা মীৎয়েং চঙলিবা অসিনা প্রোজেক্ট অদু শুপ্নগী চহী ৪রোমগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমখি হায়রি।

## ওমিক্রোনগা মরী লৈননা ভেক্সিনশিং ষ্টদি তৌরি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর মন্সুক মন্দাবিয়ানা ইরাই নুমিৎতা লোক সভাদা হায়খ্রে মদুদি অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট ওমিক্রোনদা ভেক্সিননশিং কয়া য়াম্না ইনফেক্টিভ ওইরিবগে হায়বদু খঙননবা হৌজিক ষ্টদি অমা চত্থরি অমসুং এক্সপর্টশিংনা মখোয়গী মোতশিং হেক পীবগা বুষ্টর দোজগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌরগনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, লৈবাক অসিনা সাইন্টিষ্টশিংদা থাজবা থম্মী অমসুং মখোয়না রিসর্চ মতিক চানা চত্থরবা মতুংদা পীরকপা সজেসনশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা বুষ্টর পোলিসি পুথোক্কনি।

ক্বেসন অৱর মনুংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, ওমিক্রোন ভেরিএন্ট অসি নভেম্বর ১দা থেংনখিবনি অমসুং নভেম্বর ২৪দা মদু সাওথ অফ্রিকানা রিপোর্ট তৌখি। হৌজিক ফাওবদা অনৌবা ভেরিএন্ট অসি লৈবাক ৫৯দা থেংনরে। লৈবাক খূদিংমক্না হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিং ভেরিএন্ট অসিদা শীজিন্নবদা কয়া য়াম্না ইফেক্টিভ ওইবগে হায়বসি থিজিন্নরি। ইন্দিয়াদা হৌজিক জেনোম সিক্বেন্সশিং তৌবা লেব ৩৬ লৈরে। লেবশিং অসিনা নুমিৎ খূদিংগী জেনোম সিকেন্সিং ৩০,০০০ পাঙথোকপা ঙম্মী।


### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 365 of 2021**

1. Shree Tongbram Debendra Meetei S/o (L) Tomchou Meetei of Malom Tuliyaima
2. - do - Maniyaima Singh S/o (L) - do - of - do -
3. - do - Dhaneshwara Singh S/o (L) - do - of - do -

-Vs-

Late Shree Tongbram Tomchou Singh S/o Meina Singh of Malom Tuliyaima

NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 10th Dec. 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 1-Malom Tuliyaima পাট্টা নং 167 (অরিবা) 365 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1091 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.115 acre চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েংনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 18/12/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0894/11

### IN THE COURT OF AS & SO/IX-2021

**Ref. Mutation Case No. 145/AS & SO/IX-2021**

1. Thiyam Uma Devi W/o (L) Laishram Surjit Singh of Brahmapur Aribam Leikai
2. Lelina Laishram D/o (L) Laishram Surjit Singh of - do -
3. Sakison Laishram S/o (L) Laishram Surjit Singh of - do -

– Petitioners

-Vs-

Late Laishram Surjit Singh S/o (L) Nandakumar Singh of Brahmapur Aribam Leikai

– O.P. Party

NOTICE

The 9/12/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Laishram Surjit Singh পীং মৃ: Nandakumar, সাং Brahmapur Aribam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal East তহশিলগী খুল নং 38-Wangkhei Panchim Brahmapur গী অনৌবা পাট্টা নং 525/1202, দাগ নং 318/748 অমসুং এরিয়ানা .075 চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer-IX**

HL-P/0891/11

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 457/SDC/IW-L/2021**

Khoisanam Radhesana Devi W/o (L) Sinam Babu Singh of Luker Mamang Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Sinam Babu Singh S/o (L) Kulachandra Singh of Luker Mamang Leikai - OP/Party

NOTICE


9-12-2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার সিনাম বাবু সিংহ পীতা মৃত কুলাচন্দ্রা সিংহ সাং লুকের মমাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৯৫-তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩০৩ দাগ নং ১০২ এরিয়া ১.৪৪ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector:** IW : Lamsang

HL-P/0887/11

/অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা অমাংবদু মপান্দা তারকউ য়াদবা খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোমথোকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা তারকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, হামেং মথিগুম্না অকনবা ওইনা খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, য়াম্না নারকপা অমাংথোঙ অদু অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু খোঙ হাম্বা লোইরগা অমুক হঞ্জিনখিবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মফম অনী থোক্লা চেখায়বা, অমাংথোঙদা শাবা অমদি থুপ্পা, চুম্না ফম্বা মতমদসু ঈ তারকপা, খোঙ হাম্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নুমিদাং তুম্লগা মীকপ থোক্লকপদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিনকুপ থোক্লকপা, তিনকুপ অদু ফাদোকপা, মতম খরগী মতুংদা অমাংথোঙদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, খোঙসু মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হামখ্রগনা হকচাংদা নুংঙাইবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **A Premjit Singh** Kodompokpi

HL-B/7295/11

**CAS Centre for Advanced Studies** — No.1 in Manipur

CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

**ADMISSION IS GOING ON**

**SPECIAL FOUNDATION COURSES**

OBEYING SOP FOR COVID-19 PANDEMIC

**CLASS XII** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)

**CLASS XI** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)

**CLASS X** (English, Mathematics, Science & Social Science)

Special features:
- Special Concession for all Students.
- Qualified &Experienced Faculties.
- Exam. Oriented Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam.
- Vision for toppers in 2022.

Seats are Limited First Come First Served

Morning Batch (5.30– 8.30) A.M. | Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.

Hostel for BOYS & GIRLS Available

For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal. (Mayai Lambi Road Machin.)

HL-B/7346/9-18

**FREE COACHING/ निशुल्क कोचिंग**

for

(MEDICAL (NEET) AND ENGINEERING (JEE/AIEE))

Sponsored by

**MINISTRY OF MINORITY AFFAIRS, GOVERNMENT OF INDIA**

अल्पसंख्यक कार्य मंत्रालय, भारत सरकार

under

***FREE COACHING AND ALLIED SCHEME***

for minority students belonging to Muslims, Christians, Sikhs, Buddhists, Jains & Parsis

Duration of course- **6 (Six) Months (Non-Residential)**
Stipend - Rs. 2500 per month (for Non-Residential Courses only)
Other facilities - Free Boarding & lodging (for Residential Courses only)
Family income - **Not more than Rs 6.00 Lakh per annum**
Educational Qualification – **Class XII Science Passed or appearing**

Interested eligible candidates may apply with complete documents including Income Certificate, Educational Qualification Certificates, Aadhaar Card Etc.

No. of seats (should be given centre wise) - **50 nos. at Yaiphabi Advance Coaching Centre, Slopeland P/S Campus**
Last date for applying - **14th December, 2021**

**For Further details please contact:-**

Name of organization and address - **Yaiphabi Handloom Weavers Co-operative Society Ltd. (YHWCS) Lamding, P.O. Wangjing Bazar, Manipur**
Contact No. - **9862635306, 7005608571**
Email id - **yaiphabihandloom@yahoo.com**
Website - **www.yaiphabi.org.in**

HL-P/0895/11

**FREE COACHING/ निशुल्क कोचिंग**

for

(MEDICAL (NEET) AND ENGINEERING (JEE/AIEE))

Sponsored by

**MINISTRY OF MINORITY AFFAIRS, GOVERNMENT OF INDIA**

अल्पसंख्यक कार्य मंत्रालय, भारत सरकार

under

***FREE COACHING AND ALLIED SCHEME***

for Minority students belonging to Muslims, Christians, Sikhs, Buddhists, Jains & Parsis

Duration of course- **6 (Six) Months (Non-Residential)**
Stipend - **Rs. 2500 per month (for Non-Residential Courses only)**
Other facilities - Free Boarding & lodging (for Residential Courses only)
Family income - **Not more than Rs 6.00 Lakh per annum**
Educational Qualification – **Class XII Science Passed or Appearing**

Interested eligible candidates may apply with complete documents including Income Certificate, Educational Qualification Certificates, Aadhaar Card Etc.

No. of seats (should be given centre wise) - **50 nos. at YSFC Advance Coaching Centre, Wangjing Bazar**
Last date for applying - **15th December, 2021**

**For Further details please contact:-**

Name of organization and address - **YOUTHS STEP FORWARD CENTRE, (YSFC) Opposite to Police Outpost, Wangjing Bazar, Manipur**
Contact No. - **8920654897, 8800370977**
Email id - **ysfc.ngo@gmail.com**
Website - **www.ysfc.org.in**

HL-P/0896/11